ৱারী কককনাউ

# ওন্থোকপগী মতৌনিদা...

—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—

তা শ্যাম য়াম্না ফিংবা, থুনা শাওগনবা অদুগা অমুক থুনা হন্থগনবা মীশকনি। অমরোমদা তা শ্যামসি নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা পোলিটিক্সসি য়াম থৱায় য়াওজরকই। তা শ্যামবু পোকপা অহলদুসু পোলিটিক্স অরিবিনি। ষণবী-ষণনাওনা মার্কা ওইবা অদুদগী হেনখিদবা চপ য়ুংনা ফগেরা ফরোইরা শুকহোং হোংখিদবা মীশকনি। হৌজিক্তি লৈখিদ্রে। মপাগী মচা উগী উহৈ হায়দুনি, তা শ্যামসু পোলিটিক্সসি য়াম পাম্মী।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী হৌজিকসি কন্না মৈ হৌবমখৈ ভোট খোম্নরকপা, চাক চানখৎলকপা, মীটিং মচা মচাদগীনা অচৌ অচৌবা ফাওবা খোম্নরকপা মতম ওইবনিনা তা শ্যাম হোইগী লৈকায়দসু অতৈদা তৌরিদুগা চপ মান্ননা অদুম চত্থরি। হন্দক্কী মতাংসিমদি কল্লে ভোটসি। লৈবাক্কী ইস্যুনা তোঙান্না থমখ্রগা হৌজিক তৌনরিসিদি খঙনা চান্নবগী, কুইরে মানা পোলিটিক্স য়াওরকপা অমুক্তংদি য়েংবিসি নুংশিরে হায়বগী ইস্যু রোমদা কন্না চঙশিল্লক্লি। তা শ্যাম পোলিটিক্স পামজৈ হায়দুঙাই নোংমতা কেন্দিদেট অমগী মনাক্তা চৎতুনা ৱারী শারুবসু লৈতে। ময়াম তিনবদা, মীটিংদা করিদা নোংফাদোক য়াওরুবসু লৈতে। মাগী হায়বু, ঐগী ভোটতি ঐনা খল্লগা অদুম থাদজগনি, কনামত্তনা খোল্লবগী মথৌ তাদে সিনি। মানা থাদজগে খনবা মী লৈরম্বা য়াই, অদুমদি খঙদ্রে।

তা শ্যামহোয়গী য়ূমলোন কৈরোন্নবা য়ূমলোন তরামুক্কী ওইবা ভোটকী চাকলেন অমা মখোয়গী থংনবদুদা কেন্দিদেট অমনা কন্না হায়বদগী নহান নোংমা শিল্লি। চাকথোং পুজারিগা য়াওনা নুমিদাংদু কয়াদি মনিন নাইদনা শঙ্গোইদা থোং থাক্তনা তৌরি। তা শ্যামহোইগী ইমুংদা চঙলগা চাক চাবা য়াওবিয়ু হায়না হায়গদৌবদু চঙবা হঙ্গোইদনা কনামতা চঙনদে। মমৈদা থংনবগী অবোক ঙানবীনা নুমিদাংৱাইরমদুদা লাক্লগা তা শ্যামগী ইতৈমদুদা হায়জবজাৎনি, য়াওদবা য়ারোই হায়না। ইতৈমদু য়াম্না য়াওনীংলুবগী ৱা নত্তে, ময়ামদুনা য়াম্না নুংঙাইররোই হায়না হোয় হোয় হায়না হেক খুমদোকখ্রবজাৎনি। পুং ৭.৩০ মুক্কা তারকপা অদুৱাইদা, মৌ অনী অহুম অমসু লাক্তুনা কৌররে, "ইনম্মা! ইনম্মা! লাকও কৈনো চাক লোইরে, থেংবা নুংঙাইতে চাথোক্লবা তৌরসি, মী লোইনা পুলহৌরে। চাক লোইরগা দখিনাগসু তৌনি হায়না কেন্দিদেটকী নুপীদুনা হায়হৌই। মাসু লাক্তুনা লৈহৌরে, লাকও"

"ঐবু নখোয় তামোসু হল্লক্ত্রি, মঙোন্দসু হায়দ্রি, মা লাকপা ঙাইহাক্তা ঙাইরকখিগে, অদুগা লাক্কে" ইতৈমনা খুম্মী।

মৌ নহাশিংদু লাই য়াওবীনি, শিখাং হেক খাঙখৈ য়াদ্রে, ইতৈমগী মখূৎ পায়দুনা নমদুনা চিংলগা পুখ্রে। তৌবুদি অরাপ্পা নত্তে, হেক য়ূমথংনবদুদনি। তা শ্যামদু ঙসিদি ওফিস হল্লকপদা কনানা শেম্মগা থারকপনো খঙদে, থোঙ্গালদগী গাড়ী থৌজিল্লকপদু নেসনল হায়ৱেদা থৌবদৌনা ৱিং লাউনা থৌজিল্লক্লগা খাম্মী। ইমুংদা মখোংদু মাঙলোমদা অমা থাংলগা তুংদা অমা তজ্বায়মুক হল্লপ তৌই। অমুক খংথু থুনা চঙশিল্লগা চঙখি। ঙাইহাক লৈরগা খোইদৌ শাওগৎনা থোরক্লগা মাঙ্গোলদা লেপ্পগা মখূৎনা মমাইগদু ফৎ-ফৎ তৈথোক্লগা নিশা শান্নখৎলকই। অৱাং থংবা ইমুংদা ময়াম ৱা-ৱা নোকপদু তাই, তা শ্যামনা খুনিং কাংখৎতুনা য়েংলুবদা, ইতৈমদু ভোটকী চাক চাবদু য়াওবা উই। পিং লাউখ্রমাল্লে তা শ্যামদু, মখোয়গী ইমুংদুগা মাগা ভোট তিন্নদে, মানা য়াদবা কেন্দিদেটকী চাক মাগী নুপীনা চারে সিনি মানা তিং থোক্না শাওখ্রিনা। থুনা খোঙকাপ লাউনা লাউনা থাংলগা থংনবগী শুমাং য়ৌখ্রে। মা লাকপদা ময়ামদু হরাউনৈ। তাদা কৌব-ও, ইতৈ কৌব-ও, ময়ামদুনা য়ৌ-য়ৌ তৌদুনা 'শোমদা লেংশিল্লকও শোমদা' হায়না অহাংবা চাকলুক অমদা কৌশিল্লি। তা শ্যাম ৱা হায়দে, তুমিন চঙখি মাগী নুপীগী মনাক্তা, ইতৈমদু মিহুন খঙবনিনা কৈনোমা শোয়দনা তৌরনি খনবগা তৌবগা তা শ্যামনা ইতৈমগী খুদাং তাপ পায়দুনা,

'নঙ ঐনা য়াদবা কেন্দিদেটকী চাক চারি কৈগীনো, ঐনা নঙবু য়ূমদা চাক পীজদব্রা হা!" হায়না চিংখৎলক্লে, ময়ামদু তিঙক-মাইঙক্লদনা য়েংনরি। ইতৈমসু উপায় লৈতদুনা হৌগৎলে, অদুগা ইতৈমনা চারম্বা চাক্তু মখোংনা অমুক্তং গোল চল্লগে মতাগুম সেন্তর চেনবা নম্বর ১০ না কাওখিবু, শ্রেং-শ্রাং, শ্রেং-শ্রাং হায়না পুমচাই হেক চাই, ফম্মীবা ময়ামদুসু কৈসু পুমতে। মদুদগী ইমুংদুগী নহা অমনা থাঙজৌ অমা পায়রগা,

"নঙ তৌরিদু ঐখোয়বু উশিত্তবা নৎত্রা, নঙদা হাৎলগা লোইরে" হায়না চেন্থোরকপু ময়াম চঙদনা উচিন-নাচিন্না মখূৎতগী থাঙজৌদুদি মুল্লে, অদুবু অতৈ নহা অমা অনীমসু য়াওশিল্লক্তনা তা শ্যামদা হোৎচিল্লগা তোৎখিবু। ইতৈমনা ফনা য়াম্না খামজৈ হায়দু ঙাই, ঈঙাং পাক্তক্লরবা তা শ্যামদু হোস্পিটাল হোস্পিটালদা হায়না ময়াম্না য়ৌ-য়ৌ তৌনরকই। ইপাই থিবী ইতৈমনা তা শ্যামবু কোল্লগা থৌজিল্লকপা ভান অমদা তা শ্যামবু হোস্পিটালদা পুখিবু ওন্থোকপগী মতৌনিদা।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫

১। "...ইচাই লমন শিংলমগে/লিলা সিদং লোইরমগে" পরেংশিংসি 'খম্ব-থোইবী শৈরেং' দগী লৌথোকপনি। কনানা হায়খিবা ৱাহৈশিংনো?
২। "নোংঙাল্লমদাইদা/নুপী অমনা কপ্পা তায়/হিক্রা তেংথারদুনা/পোম্বী হঞ্জিল্লক্লোবা।" ৱাহৈশিংসি কবি কনানা হায়বনো?
৩। 'রিক্সো অমসুং নোংমৈ' অইবী কনানা ইবনো?
৪। 'Imphal and its Climatic Condition'হায়না পাচা মীতৈগী নোভেলবু ইংরাজিদা হন্দোকপদু কনানো?
৫। 'ঈগী খোঙ্গুল লীবা' লমকোয় ৱারী অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪ গী পাউখুম অহুম চুম্না থাবীরকখিবদি

*১) নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লীৱা লম্বী মাইবম লৈকায়* *(৩)*

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪৪ গী ৱিন্নর

*নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লীৱা লম্বী মাইবম লৈকায়*

লিটরেরি ক্যুইজ ৪৪ গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

মার্চ ০৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪ গী পাউখুম

১। "হে নিংথি পুকতপ্পী/নঙগী ঈচেল অরংবা/পুখো ঈসে অঙাঙবা/সমুদ্র ঈমায় থুংনবা।" কবি কনানা হায়বনো? ঃ- নীলবীর শর্ম্ম শাস্ত্রী
২। "অঙাঙবা উচেক মচাশিংনা/থিরি মাঙখ্রবা ময়ূম্বু/অশুকপদা অমম্বদা চীংনুং মান্নুংদা।" মসিনা কবি কনানা হায়বা ৱাহৈশিংনো? ঃ- য়ূম্লেম্বম ইবোমচা
৩। 'খোঞ্জেল থোক্তবা ৱারী' শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদু কনানো? ঃ- সনামচা
৪। 'মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম' মিসেস গ্রীমউদকী লাইরিক অসি মণিপুরীদা হন্দোকপদু কনাননো? ঃ খুরাইজম নিমাইচরন
৫। 'বুদ্ধনা তূপ্লিবা লমদুদা' লমকোয় ৱারী অসি কনানা ইবনো? ঃ সলাম তোম্বা


লমকোয় ৱারী

# পুন্সিগী খোঙচৎশিং নীংশিংলকপা

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

**ইক্কেডরদা থুংলবা**

ঐখোয়না জিওগ্রাফিদা তমখিবা পারা অমা কাওদ্রি। মালেম অসি মতুম তায়, লেটিচুদ অমদি লোঙ্গিচুদ অনীনা মালেমবু মশুং নাইনা থম্বীরি। মালেমগী তোঙথোকলকপা ময়াই




থংবা শরুক অসি ইক্বেটরনি। নুমিৎকী মঙাল নক্না ফংবসি তোঙথোক্লিবা মফম অসিনা হেল্লি মরম অদুনা ইক্বেটরগী শরুক অসি য়াম্না শাবা মফমনি। অসুমাইনা থাজনৈ, ক্যুবাদগী পান অমেরিকান নেম্নেল হাইৱেদা ঐখোয় বস তোংদুনা ইক্বাডর (Ecuador) তান্না লাকখি। ইক্বাডর অসি মালেমগী অতোংবা,ময়াই থংবা মফম, খ্বাইদগী শাবদুনি হায়না ঐখোয়না খনখি। ঐখোয়গী প্রোগ্রাম ইক্কেডরদা লৈরি, মসিগীদমক ঐখোয় এ.সি ভিডিও কোছ বস তোংদুনা চৎলি। মখোয়গী পুংদা অয়ুক্কী পুং তারামাথোই তারকপা মতম্নি। লম্বী লাকপদা, লমজাউ অসি অশাবা মনিল ৱাংনা কাবা উই। য়েংবদা লম্বী অসি ইফা-ফাবগুম্নসু তৌই। লম্বীগী মতাইদা চানবা য়োনবা অশাংবা পোৎফম খর উরকই। মদু উবদা ঐখোয় ঙাইহাক খামসি চানবা লৈরুসি হায়নদুনা ঐখোয়গী বস খামহনখি। বসকী থোঙ অদু ঐখোয়না হেক্তা হাংদোকপা য়াদে। ড্রাইভর অদুনা মাঙোন্দগী লোগ ওপন তৌদ্রবদি হাংদোকলক্তে। অসিগুম্বা মখলগী বস অসি মপাল লৈবাকশিংদদি লোইনা শীজিন্নে। মরম য়াম্না লৈ। কনাগুম্বা অমত্তনা হুরান-চিন্থি ক্রাইম, বস মনুংদা তৌবা ঙল্লোই। বস মনুংদগী নান্থোক্তুনা চেনখিবসু ঙল্লোই। মসি মীয়ামবু নীংথিনা ঙাক-শেন্নবগী থৌরাংনি।

ঐখোয়না ড্রাইভর অদুদা ৱা হায়রুবদগী মহাক্না থোংগী লোগ হাংলকখি। ঐখোয় মী অনীখক কুমথরুই। মপান হেক থোক্লুবদা অশাবা মৈশা অমনা মায়দা খঙয়ে য়ৈরকপদা খংপ্রেক খংঙি। ঐখোয় পোৎ লৈরমদনা বস মনুংদা চেনখৎলকই। ঙসাই মখৈ এ.সি. বস মনুংদা মতম শাংনা লৈবগী মপানগী অশাবা অসি খঙলমদবনি। বস ড্রাইভর অদুনা ঐখোয় উরগা হায়ফেৎ নোকখি। মহাক্না কুমথবীদুনা চানবা খর লৈরকই। মহাকসু শারমগনি অদুবু মাদি মৈশাদু খাঙবা ঙমখি। মীওইশিং অদুগী কুচুশিং ঙাংশং ঙাংনা উই। অদুক শাখ্রবা অদুদা,




মখোয়না মৈ থাদুনা লৈরং মনুংদা শা য়াইরগা য়োল্লি। মখোয়গী মতৌদু, ঐখোয় ৱারী লীনরদুনা মফম অদুদগী অমুক খোঙশাল্লকখি। অসুমাইনা শারম্লগদি, থুংলুদৌরিবা মফমদু করম তৌরমগনি হায়না ঐখোয়গী মরক্তগী আর্টিষ্ট খরদি হান্না পাখৎপা হৌনবা য়াওই। অশাবা মফম হৈনদবগীনি। ঐখোয় নুমিদাং ৱাইরম থুংখি। নুমিৎনা লৈথরগা থুংবনিনা নুংশাগী মৈশাদি মায়োক্ল হৌদ্রে। মফমদুদা হেক থুংবগা অমুক হোটেলদা চঙদুনা লৈরুরবনিনা অশাবা হায়বদুমসু সুকফং ফংখিদে। মসিমদি ঐখোয়গী লাইবক ফবনি।

ক্বিটো অসি ইক্বাডরগী কোনুংনি। "Equator" হায়রম্বদগী থৈথরক্তুনা "Ecuador" কৌনখি হায়রকখি। মখোয়গী খুন্থোক ৱারীদা য়াম্না অঙনবা মতমদগী খুৎ-শা হৈনা চাওখৎনা লাকপগী ৱারী ফংঙি। মখোয়দা কলচর অনী Valdivia অমদি Machalilla Culture অসি চৎনরকই। লোন অনী Quechua অমদি Spanish অনীসিদা ঙাঙনৈ। English খংবা ৱাৎলি। English লোন ঙাঙবা হৈবা মীওইবু মখোয়না চাওখৎপা লাইরিক হৈবা মীনি হায়না লৌনদে। Inca Empire না খুৎকন পাঙ্গন্না পানলকখি। মতমদুদা Spanish শিংসু মখোয়গী লোইলম শন্দোকলকখিবা মতম ওইখি। লান কন্না শোক্লখি। Spanish শিংগী মখুৎতা Ecuador খুদুম চনখি। মতম শাংনা মীখা পোল্লক্লবা মতুং, Spain গী খুত্তগী মনিং তম্বা ফংখি। Greater Colombia শেমলকপদা Ecuador য়াওখি। Greator Colombia মচেৎ থোক্না কায়রকপদা, মচোই তানরকপদগী Ecuador অসি ইন্দিপেন্দেন্ট ওইহৌখি। মফম অসিদা য়ু.এসকী ডোল্লর চৎনৈ। ইক্বাডরগী লম্মিৎ-তুমিৎতি অৱাংদা কোলোম্বীয়া নোংপোক অমদি খা থংবা মাইকৈদা পেরু লৈরি। পেরুগা ইক্বাডরগা ঙমখৈগী য়েৎনবা শাংনা লৈরকখি। লান শোক্লদুনতা লৈরকই। Ecuador গী কোনুং ওইরিবা ক্বিটোদা অরীবা মতমগী সহর লৈ। চহী ৩০০ হেন্না Spanish Colonization লৈরক্লবা ফাওবদা Quito অসি মীওই ১০,০০০ খক্তং খুন্দাহৌদুনা মশাগী নাৎ ঙাক্না ঙসি ফাওবা হিংহৌরি। Quito হায়বসি মখোয়গী লোন্দা "LA CARA DE DIOS" হায়বদি "ঈশ্বরগী মায়থোংনি" হায়। মহৌশানা পীবীবা Amazon Jungles, Amazon Basin,Andean Volcanoes, Flora & Faona, কয়া অসি লৈরি। অসিগুম্বা কয়া অসি লৈবনা UNESCO না World Heritage Site নি হায়না লাওথোক্তুনা লৈরি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা পৃথিবীগী ললোনবশিংগী মফম World Trade Centre গী মফম GUAYAQUILঅসিদসু লৈরি। Ecuadorগী ওইনা Climatic condition অসি মফম মফমগী মতুংইন্না মান্নদে। Pacific Coastal Area দনা Tropical Climate ওই। নোংজু থা লৈ। Andean High lands area দনা য়াম্না শায়, ঈশিং ৱাৎলি। লমশিং, ইকং-কংঙি। Amazon Basin লমদনা forest zone ওইবনা চোৎ-চোৎ লাওদুনা লৈ। মখোয়না মরৈবাকপু য়াম্না নুংশি। মালেম অসিদা মরৈবাক নুংশিদবা মীওই লৈরম্লোই অদুবু মখোয়দি পীক্লিবা অঙাংদগী হৌরগা থবক খুদিংমক মমা লৈবাক্কীদমক পাঙথোকলিবনি হায়বসি পারা অমা ওইনা চিনফা পুদুনা লৈহল্লি। ময়াম পুনবা মফমদা, মখোয়গী মরৈবাক নীংবগী ঈশৈ হেক্তা শকলকই, স্কুল তম্লিবা অঙাং ফাওবা মখোয়গী মরৈবাক্কী ঈশৈ শকলকই।

মরৈবাকপু শৈথাবা ঈশৈ

Salve, Oh Patria, mil veces!
Oh Patria, gloria a ti! gloria a ti!
Ya tu pecho,tu pecho, rebosa
Gozo y paz,Ya tu pecho, rebosa
Y tu frente, tu Frente radiosa
más que el sol contemplamos lucir...

English translation

We Salute You, Our Homeland.....
Oh homeland,
we greet you a thousand times!
Glory be to you !
Your breast overflows joy and peace
And your adiant face
brighter than the Sun shining we see....

মখোয়গী মরৈবাক নীংবগী ঈশৈ তারগা মতম অমা রেডিওদা তৎতনা শকখিবা, স্কুলগী ফংসনশিংদসু ছাত্র মহৈরোয়শিংনা পূন্না শক্লখিবা রুপরাগ-গী শৈশকপা কাংবুনা শকপা মরৈবাক ঈশৈ নীংশিংলকখি।

"হো ইমা পোক্লপম ইমা নংগুম্বী লৈতে ইমা লাপ্না চৎতুনা কোয়না থিদুনা নংগুম্বী ফংলোই ইমা।..."

ঙসিগী মহৈরোই অমত্তনা, স্কুলগী ফংসনশিংদা শক্লবসু তাখিদ্রে। মীগীদি শকহৌরি, ঐখোয়বুসু তাহল্লকই। ঐখোয়গীসু লৈরি হায়বসি ঙসিগী মীরোলশিংনা কাওথোকপগুম তৌরিবসিমদি হৌরক্লিবা তুংগী খল্লগা নীংশিংহন্নিংখি।

*(মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)*

# নুপাসে নুপীনা ঙম্বা নৎতেনা

ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্ম

***খেলেম্বগা*** মেমতোনগা কোলেজ তম্লিঙৈদগী নুংশিনরকপনি। অনীমক শেন্থোক ৱাৎপা ইমুংগী মচা ঙাক্তনি। মেমতোনগী মপা অদু এগ্রিকলচর ওফিস অমগী এল দি সিনি। মহাক্না মহাক্কী মচানুপী কোকহন লাইহন ওইজবী মেমতোনবু বি এ ফাওবদং তমহল্লগা লৈঙাক্কী থবক অমা তৌহন্দুনা মনাওনুপা তরুনবু শেম শাবদা মতেং ওইনবা পান্দমদা আশা তৌজবনি অদুবু লাইবক থিবদগী গাড়ী এক্সিদেন্ট অমদা মেমতোনগী মপা কুলা তাইবঙপান থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মমা ইবেম্মা কুমুদিনিসু ককঙাওনদুনা নীংবা কায়না লেল্লক্লে। মখোয়গী লমদম অদুগী এম এল এ অদুনা মন্ত্রি ওইরকপদগী কুলগী মরমদা মুন্না খঙবনা মন্ত্রি অদুনা কুলনা হুন্দোক্লম্লবী মচানুপী মেমতোন অমদি মনাও তরুনগা অনীদুগী মনুংদা অমদি দাই ইন হার্নেসতা থবক অমা হাপ্লগে হায়না মন্ত্রিনা কুমুদিনি অমদি মচা অনীবু মহাক্কী ক্বার্টদর কৌরকই।

মন্ত্রিনা কুমুদিনিদা নচা অনী অসিগী মনুংদা করম্বদা মপাগী মহুৎ ওইনা হাপ্লুগে হংলকখি। মদুদা মেমতোন্না ইমাগা শাগোন্নগদৌরিবা ইনাও তরুনগী ওইনা হাপ্পীয়ু হায়বদগী য়ানরে। অসুম্না মনাও তরুন্না মপাগী মহুৎ শিন্দুনা এগ্রি ওফিসতা ক্লার্ক ওইনা থবক তৌদুনা মমা অমদি মচেগী থৌগল তৌরম্মী।

শোমদনা খেলেম্বদু বি এ পাস তৌরে হায়বগী হরাউফম লৈতে। মহাক্কী মপা মধুগী থা থাগী ফংলিবা পেন্সননা ইমুং মনুং পুবা ফাওবা কোন্নদ্রিবনি। মমানদি লাইরিক মখা তমথবগী মহুত্তা লৈঙাক্কী থবক মচা অমতা ওইরবসু তৌহন্নীংলি। অদুবু থবক তৌহন্নীংলবসু মপা ইচুম চুমদে।

খেলেম্বনা মেমতোনবু অসুক্কী মতিক নুংশিজৈ। মহাকপু য়ূমগী মৌ ওইনা পুশিনবা পাম্লক্লে অদুবু অমুকসু খল্লি ঐরা মেমতোনলা লৈঙাক্কী থবক অমদি তৌদবা য়াদে হায়না। লাইবক ফবদগী খেলেম্বা মণিপুর রাইফলসকী জমান্দার ওইনা খল্লে। মতম খরা লৈরগা খেলেম্বনা মেমতোনবু য়ূমগী মৌ ওইনা পুশিল্লকখি। মমানদি মেমতোনবু কয়া পামখিদে।

লুহোংলবা মতুং চহী অমরোম হেল্লবা ফাওবা মখোয় অনী অঙাং অমত্তা য়াওবগী মমি উদবদগী মমা সখি খোইরাং খোইশাওনরমই। মতম খরা লৈরগা খেলেম্বা উখ্রুলদা পোষ্টিং তাবদগী মহাক্কী নুংশিজরবী মেমতোনগী পূক্লিংবু ফাথদুনা, ঐহাক মরক মরক্তা ছুটি লৌদুনা লাক্কনি, করিমত্তা ৱাগনু ইমা ইপাগী থৌগল নিংথিনা তৌদুনা লৈয়ু হায়রম্মী।

সখিনা মহাক্কী মপুরোইবা মধুবু মহৌশাদগী মানা ঙমদুনতা লৈবনি। সখিনা মমৌ মেমতোনবু মহৌশাদগী পামজদবগা, মচাসু য়াওদবগা অমুক্কা হেন্না নুংশিরক্ত্রে। মহাক্না মেমতোনবু য়ূমগী থবক পূম্বা শুহন্দুনা লাক্লবা হৌরকখি। মেমতোনসু উপাই লৈতা, করিসু হায়জবা ঙমদনা ঙসি ফাওবা লেল্লক্লিবা মতৌ অদুদা মকুবোক মধুসু মহাক্কী নুপীনা ঙম্বনিনা করিসু হায়বা ঙমখিদে, খঙনা খঙনা লেনবা তাখি।

নোংমা মেমতোনগী মনাও তরুন্না মখোয়দা লাকপদা মচেনা লৈরম্লিবা মওং মতৌ অদু উবদা মথম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওজখি। করিগী ইচেনা অদুক ৱানা মীগী মীনাইগুম থবক শুদুনা লৈগদৌরিবনো। কান্নদে য়ূমদা চৎসি ইচে হায়বদা মচেনা য়াবা কৌবা লৈখিদে।

নোংমা নোংমগী সখিনা কোচি থাং থাংদুনা ঙাঙবা-শকপদা নত্তনা মেমতোনগী অশোয়বা তাঞ্জা য়েংদুনা মশম ফাওবা ফোইদুনা ফু-চৈবা তৌরবসু মকুবোক মধু করিসু তৌবা ঙমদনা য়েংদুনা লৈখি।

ঙসিদি মপুরোইবা খেলেম্বনা থা অমগী ছুটি লাকপদা মেমতোন হরাউবনা অৱাবা পূম্বা কাউথোকখৈ নুংঙাইজখি। মপুরোইবা খেলেম্বনা মেমতোনবু লুনা চান্না তৌজখি অদুবু মেমতোনগী মায়থোংদা তারিবা অৱাবগী মমি অদুনা মহাকপু মমানা শোয়দনা ওৎপীরমগনি হায়বসি খঞ্জখি। অদুবু খঙনা খঙনা খেলেম্বনা মেমতোনবু পূক্লিং ফাথবীদুনা হায়খি, পুন্সি হায়বসিদি অৱাবা নুংঙাইবা অনীনা পুনবনি অদুনা ৱারবসু ৱানা খাঙবা তাবনি। ঐখোয়গীসু নোংমদি শোয়দনা পুর্নিমা লাকখিনি।

মপুরোইবা খেলেম্বগী ইচম চম্বা মওং মতৌ অদুদা মেমতোন্না হায়রকখি, তামো ঐহাক্কী লাইবক্তা মমা হায়বদু ওইয়ু হায়না তল্লমদ্রমালে অদুনা তামো নহাক অতোপ্পা নুপী অমা থিদুনা অঙাং য়াওনবা হোৎনৌ। মসিদা ঐহাক করিসু অয়েৎ অপন পীজরোই হায়না তত্তনা হায়খি। অদুবু খেলেম্বনা ইচা লৈত্রবসু নঙগা ঐগা পুন্সি শাংনা হিংমিন্নদুনা অৱা নুংঙাই লেনমিন্নসি, ঐ অতোপ্পা নুপী অমত্তা থিরোই হায়না য়াখিদে।

খেলেম্বা মহাক্কী ছুটিগী মতম লোইদুনা উখ্রুলদা অমুক চৎখ্রে। মহাক হেক চৎখিবদগী মমা সখিনা মেমতোনবু অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং খায়দনা থবক শুহন্দুনা ওৎপা য়াবা ওৎলক্লি। নোংমা সখিনা মহাক্কী ইরুজনবা ঈশিং পুরক্তে হায়দুনা মেমতোনবু ফুবা য়াবা ফুরবা মতুং মশম পায়দুনা শোরো-শোরো লাক্তুনা চিংনা লাক্লরিঙৈ তাঞ্জা অদুদা মধু খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ ৱাংমা লান্দুনা খংলাউ লাউরকখি। সখিসু অসুম্না তৌরক্কনি খল্লুদবনা খংপ্রেক খংখি। মহাক্কী হৈনবী মপুরোইবগী চিন্থক্তা ঙাঙবা হৌরকখি। তাঞ্জা অদুদা মধুনা লিচৈ অমা পায়দুনা সখিবু ফুদবা হৌরকখি। তাঞ্জা অদুদা মনাও তরুন্না ঙা অমা লৈদুনা লাকপগা মপা চপ হেক চান্নরুরে। মচেনা লৈরম্লিবা ফিভম অমদি মকুবোক্না মচেগী মীচংদা লৈদুনা মনেমবোকপু ৱারক্লম্বা অদু উবদা তরুন ঙমখৈ লৈতনা পেঞ্জখি। মেমতোন্না মকুবোক্তা মনেমবু ফুবা তোকপিরো হায়জখি। মদুদা মধুনা নহানমখৈ ঐনা য়েংগে হায়দুনা য়েংবনি। নঙনা তৌরিবসি য়াম্না হেনমল্লবনি। নঙ হৌজিকমক নমৌনুপীদা লাল্লে হায়জগদবনি নৎত্রবদি ঐনা নঙবু ঙাকপীবা পুন্সিগী ঙমলোই হায়রম্লগা অমুক হন্না ফুদবা হৌরকখি। তাঞ্জাদুদা সখিনা মেমতোনগী মনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা 'ইমাগী ইবেমা ঐ নঙোন্দা য়াম্না লানখ্রে, ইমাবু অমুক্তা ঙাকপীয়ু, ঐ অমুক হন্না ইচাবু ওৎলরোই, ঐবু অমুক্তা ঙাকপীয়ু হায়না মখোংদা তুররে। মেমতোন্না মমাবু কোনখৎতুনা ঐঙোন্দা অদুম্না হায়বীগনু ইমা, ঐনা লানবা ঙাক্তনি, নচানা ইমাবু খুরুমজরি। মেমতোনগী মথম্মোয় চাওথোকচবা মতৌ অদু উবদা কুমুদিনি মমৌবু কোনখৎপীদুনা মখোয় অনী কপমিন্নখি।